‘হাথু-হাথু থবক তৌখিগুমসি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অৱাবা মায়োক্নরিবা তাঞ্জা অসিদা হাথু হাথু মহৈ লোয়শঙশিং হাংদোকহন্নিংদে অমসুং হাথু হাথু মণিপুরগী হাংলিবা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ১৩গী বাই ইলেক্সনসু তৌহন্নিংদে হায়না সনামহী লাইনিংকোল শঙলেনগী মায়কৈদগী পুখ্রম্বম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লায়না লাইচৎ অসিনা মীওইবগী পুন্সি কয়াবু মাঙহল্লি। পুন্সিশিং অদু অমুক হল্লক্নরোইদবনি। মহৈ-মশিন তম্বদি চহী কয়া পুন্সি চুপ্পা তম্বা য়াই অমসুং ইলেক্সনসু কয়ারক হন্না পাঙথোকপা য়াই। মরম অসিনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি হন্থদ্রিবা অমদি লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা মহৈ লোয়শঙশিং হাংবীদবা লোয়ননা বাই ইলেক্সনসু তৌদবনা ফৈ হায়না লূপ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুপীমচা ১ রেপ তৌবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : মোরেদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু রেপ তৌবদা চেন্নবা জুবেনাইল অমা পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুমীদাং মোরে পুলিস ষ্টেসনগী হৱা মহলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এ এস পি লো এন্দ ওর্দর মোরে সেংবোই গাংতেনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১৫ দা মোরেগী মফম অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু নুপা অমনা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক্কী তুংদা থিবা ফংদনা লাকখিবা নুপা অদু ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুংদা মোরে পুলিস অমদি জুবেনাইল পুলিস ওফিসর য়াওনা মোরেগী মফম অমদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা মীওই অদুদি চহী শুদ্রিবা জুবেনাইল ওইবা মরম্না এফ আই আর নম্বর ৭২ (৯) ২০২০ পান্দুনা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

ডা. দ্বিজমনি খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটিগী ডোক্তর সেলগী চ্যেরমেন ওইনা উরিপোক কনষ্টিট্যুএন্সিদগী ডা. এন দ্বিজমনিবু খল্লে হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এল তিলোতামানা খুৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

GAS NEWS

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 14/07/2020
Only home delivery
Contact No. : 7005771527
Office No. : 9774068549
Whatsapp No. : 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking upto : 14/09/2020
Valid from : 29/08/2020
Please Contact Mobile No. 7085412191
Time: 7:30 a.m to 10:30 a.m.

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 04/08/2020
Valid from : 27/07/2020
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30am to 11.00am

HEIROK INDANE
Booking upto : 31/07/2020
Valid from 12/07/2020
Stock:- 306
Home delivery only
Booking contact No. 7627935705
Delivery contact No. 9436274203
Contact time :- 9.30am to 2.00pm

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-28/08/2020
Valid from : 11/08/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 27/07/2020
Valid from : 16/07/2020
Stock :- 356
All Customers are Home Delivery
(Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon
(Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 28/07/2020
VALID FROM: 25/07/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 05/08/2020
Valid from : 05/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No:
8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

পি টি এফ সী-১৯গী এৱ্যারনেসকী থৌরম তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, আই এম এ অমসুং এ ঐচ পি আই মণিপুর চেপ্টরনা শিন্দুনা লৈকায়-লৈকায়, খুন-খুনশিংদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ লায়না লাইচৎ অসি করম্বা থাক্তা লৈরি, কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ষ্টেজ য়ৌশিল্লকপদা মীয়াম্না কমদৌনা মহীকসে থেংননবা শেম শাগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎথরি হায়না পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইনচার্জ মোইরাংথেম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লুৱাংশঙবম ৱার্দ নম্বর ৩ কম্যুনিটি হোলদসু নোংথোংবম প্রোমো, রিটায়র্ড আই এ এস অমদি আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি দা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, পি টি এফ সী-১৯গী মেম্বর এন রুপচন্দ্র, লুৱাংশঙবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অঙৌবা প্রিসিদিয়ম মেম্বর অমদি রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি। মাইবম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদসু নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বি লিৱা লন্বী বোকুল মখোং, য়ংমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়সন লিৱা লন্বী মাইবম লৈকায়গা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱ্যারনেস থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱাই এম দি এ লিৱা বোকুল মখোংগী প্রসিদেন্ট য়েন্দ্রেম্বম মঙ্গি, পি টি এফ সী-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচা, আই আর সী এস মণিপুর ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন দা. ৱাই মোহেন, আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেক্রেটরি ও রটননা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

কোংখাম মখা কম্যুনিটি হোলদা কোন্থা অহল্লুপতসু সোসল ৱেলফেয়র ক্লব অমদি য়ুথ ক্লব কম ইনর্ফোমেসন সেন্টর কোন্থা অহল্লুপকা পুন্না এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। সন লাই ক্লব প্লে গ্রাউন্দ মাইবম চিংনিঙ অৱাং লৈকায় অমদি সন লাইট ক্লব মাইবম চিংনিঙগা পুন্নসু এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। পি টি এফ সী-১৯গী ভলন্টিয়রশিংনসু ঙসি পাঙথোকখিবা ৬শুবা সেমিষ্টরগী এগজামগী সেন্টর খরদা চৎতুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা চৎন-কাংলোনশিং নিংথিনা কোলেজশিংগী ওথোরিটিশিংনা ঙাক্লিবরা হায়বা য়েংশিনখি হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা সেন্টর খরদি গেটতা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু কোলেজকী কেম্পস মনুংদদি মহৈরোয়শিং পুন্না-পুন্না লৈদুনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা থেংনখি। অসিগুম্বা চৎন-কাংলোন ঙাক্তবগী থৌওং অসি মহৈরোয়শিংনা মতুংদা তৌবিগনু। লায়না লাইচৎ অসি ঙাকথোক্নবা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নসি হায়না পি টি এফ সী-১৯গী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আর কে রানিসনানা চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা তেংবাংদুনা লাকপগী মখা চৎথরকপা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা আই এম সীগী হান্নগী চ্যেরপর্সন আর কে রানিসনানা নাগামপাল, পাউনম লৈকায় অমসুং শিংজুবুং লৈরক্তা কোভিদ-১৯গী অনাবা য়াওরবা ইমুংশিং অমদি থংননা লৈবা য়ুমথোঙশিংদা চেঙ, হৱাই, থুমনচিংবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অমদি মাস্কশিং তেংবাংখ্রে।

তেংবাং পোৎলমশিং অদু এন ৱাই দি ও পাউনম লৈকায় অমদি শিংজুবুং য়ুথ ক্লবকী খুথাংদা খুৎশিন্নখিবনি।

তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা বি জে পিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে রানিসনানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লমদম অসিদা মখল মখা কয়াগী চৈথেংশিং পীরক্লি। মীয়াম খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা অমনা অমগী মতেং পাংনবা য়াম্না মথৌ তাই। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিগী ঙাকথোক্ননবা ঐখোয় খূদিংমক্না চেকশিন্না লৈরগা মতম মতমগী ওইনা লৈঙাক্না লাউথোরক্লিবা এস ও পিশিং অসি ঙাক্না চৎমিন্নসি। এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা ইমুংশিং অমদি থংননা লৈরিবা য়ুমথোঙশিংদা মখা তানসু অঙম্বা তেংবাং পীখিগনি।

মীয়াম্নসু মতম পুম্নমক্তা য়ুমদগী মপান থোকপদা ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপীয়ু। মদুদতা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা ইমুং ৮০দা তেংবাং পীরকখিবা অসিগীদমক্তসু ক্লবকী মীওইশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

স্পিদ পোষ্টতা গঞ্জা থানবা হোৎনরম্বনি...

লামায় ১গী মখা... লোয়ননা থৌদোকসিগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অনীসি ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সি জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টনা অয়াবা পীখিবনি।

এম এল এ ওইবদগী রিজাইন...

লামায় ১গী মখা... থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রো, হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, এম এল এ কে রঞ্জিৎ, এম এল এ মেঘচন্দ্রা অমদি অতোপ্পা এম এল এশিং অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

এ জে দব্লিয়ু জে য়ুগী ২০শুবা মপোক...

লামায় ১গী মখা... প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এস পি এ মুনিনা হায়খি, জিরিবামদা লৈরিবা পাউমীশিংনা পাউমীগী ইথিক্স ঙাক্না থবক তৌরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। জিরিবাম পাউমীশিংনা ঈ-পাউগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। পাউমীশিংনা পাউ লৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবনি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিবু তুংওইনরম্লগা মীয়ামদা মরীক চূম্বা ঈ-পাউ ফংহন্নবা মতম পূম্বদা ইথিক্স ঙাক্না থবক তৌহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সুরেস...

লামায় ১গী মখা... লৈখিদ্রবা সুরেস অঙ্গাদি অসি তোপ তোপ্পা মগুন চেনবা বি জে পিগী থৌমীনি হায়না শিংথাখি। কর্নাতকাদা বি জে পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মিনিষ্টর অসিনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিট তৌদুনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ঐচ দি দেবেগৌদানসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সুরেস অঙ্গাদিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা জে রাম রামেস, হোম এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জি কিষন রেদ্দি, য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল লুচিংবা কয়ানসু সুরেস অঙ্গাদিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৫গী অঙাং অমা য়াওনা ২...

লামায় ১গী মখা... ১, চান্দেলদগী ১, চুরাচান্দপুরদগী ২ পুন্না মীওই ১০ নত্তনা অতোপ্পা মীওই ৬৭দি মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্টরি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক পায়খৎলি।

আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবা থেংনবদগী দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি একী ৩২, রিমসতগী ৫, য়ুনাকোদগী ৯৮, সী সী সী থৌবালদগী ৫১, টি কে উখ্রুলদগী ৩, সী সী সী জে এন ভী চান্দেলদগী ৪, সী সী সী লমদিং থৌবালদগী ২৫ অমসুং সী সী সী কাংপোকপীদগী ৩নি। হৌজিকফাওবগী ওইনা পোজিটিভ ওইবা অপুনবা মীগী মশিং ৯৩৭৬ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৩৪৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২০৩৩ য়াওরি। মণিপুরগী ওইবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলকখ্রবা মীগী মশিংনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৫৪১১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৬৯৭ পুন্না মীওই ৭১০৮ শুরে। হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরিবা অপূনবা কেস মশিংনা ২২০৬ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮৭৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৩ য়াওরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref :- Mut. Case No. 261/SDC/IW/N/Sekmai/17/09/2020

1. R.K. Thoiba, S/o. (L) R.K. Thambousana of Thangmeiband Lourung Purel Leikai.
2. -do- Bemnao, D/o. (L) -do-
3. -do- Aboy, S/o. R.K. Banjamine of -do-
4. -do- David, S/o. (L) R.K. Thambousana of -do-
5. -do- Aboy, S/o. R.K. Auderson of -do-
6. -do- Solomon, S/o. (L) R.K. Thambousana of -do-
7. -do- Bijaya Dev, W/o. Thoudam Tomba Singh of -do-
8. -do- Tete, S/o. (L) R.K. Thambousana of -do-

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Sekmai 19/09/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি Imphal West Tashil Village No. 44-Loitang Sandhum under Patta No. 108/224 (N) Dag No. 14/142 গী area 2.71 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়েদুনা SDC, IW, N, Sekmai গী Court তা Application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজখ্রগনি।

*Sd/-***Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/7589/24

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR.

NOTIFICATION
Imphal, the 23rd September, 2020.

No.2/48/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for information to all candidates who are willing to appear in the Higher Secondary Examination, 2021 as a candidate in the category of **Improvement in All Subjects/Improvement in One Subject/Private Candidate** that the prescribed application forms for obtaining prior permission will be available from the Council office with effect from the 25th September, 2020.

The last date of submission of duly filled in application forms along with the necessary fees and documents is up to 4 p.m. of the 26th October, 2020.

Further, those EIE (Eligible for Improvement) candidates (passed/failed in the Higher Secondary Examination, 2020/Higher Secondary Improvement Examination, 2020) are not under the above categories and hence no need to apply.

Sd/- **Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur
HL-B/6398/24

নিংঙোম্বম কম্যুনিটি হোলদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : এগ্রিকলচর লেবর্স এসোসিয়সন নিংঙোম্বমনা শিন্দুনা হন্দক এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ফৌ পানবা হৌরক্নবা লৌ শঙম ৩০০ রোম হেনববু ট্রেক্টরনা খোইদৎতুনা মাংহনখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা নিংঙোম্বম কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এগ্রিকলচর লেবর্স এসোসিয়সন নিংঙোম্বমগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ নোরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ৱারেপ অনীসু লৌখি হায়রি। ৱারেপশিং অদুদি এ এ আইনা ফৌ চরোং হায়থরক্লবা মতমদা খোইদৎতুনা মাংহনবিখ্রবা লৌ শঙম ৩০০ হেনবগী লৌমিশিংদা মতিক চাবা ক্ষেতিপোরোন পীবিনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জবা অমদ এ এ আইনা মমাংদা পীবা ৱাৎহৌবা ক্ষেতিপোরোনশিং (হোরটিকলচর, লিভিং পোন অমসুং হোম ষ্টেট)নচিংবা অথুবা মতমদা পীবিনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জবা হায়না ৱারেপ লৌখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তেজপুর অৱাং লৈকাইদা কোভিদ ১৯গী এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না হৌজিক-হৌজিক পান্দেমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ ১৯গী লাইচৎ অসিং লমদম অসিদসু ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া অমা লায়না অসিগী পোজিটিভ ওইরকপদগী কম্যুনিতি স্প্রেদ তৌরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মরক্তা মীপায়বগী চাং হেনগৎলক্তুনা লন্বী শম্বল খাজিন্নরকপা, কোভিদ ১০ পোজিটিভ ওইরুরবা মতুংদা হোম ক্বারন্টিন তৌজরিবা মীওইশিং অদুগা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা মশাগী মথৌ তৌরুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা লৈকাইগী মীয়াম্না লৈকাইদা চঙহন্দবা, হন্থনা য়েংবীবনচিংবা থৌদোকশিং অমসুং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎলক্তবা থৌওং কয়া এৱ্যেরনেস পীদুনা ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা চৎথরকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০০ তাবা মতমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টেজপুর অৱাং লৈকাই মৈরা পায়বী, লমজিং ক্লব টেজপুর অৱাং লৈকাই অমসুং কাদা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমার-প্রসিদেন্ট, কাদা; চিংখাম থম্বালমরিক-প্রসিদেন্ট, টেজপুর অৱাং লৈকাই মৈরা পায়বী অমসুং নোংথোম্বম দেভান- সেক্রেটরি, লমজিং ক্লব, টেজপুর অৱাং লৈকাইনা থৌরমগী প্রীসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অমসুং থৌরমগী ৱাঙাংলোই ওইনা ময়েংবম বুধি- সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, কাদা অমসুং দিপানজিৎ নিংথৌজম- ভাইস-প্রসিদেন্ট, কাদানা শরুক য়াখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা নোংথোম্বম দেভান-সেক্রেটরি, লমজিং ক্লবনা হায়খিবদা কোভিদ ১৯ অসি ঐখোয় য়াম্না চেকশিননিংঙাই ওই। চেকশিল্লগদি ঐখোয়না লায়না অসিদগী মীপাইনিংঙাই ওইদে। মখা তানা মহাক্না হায়খিবদা, ময়াম্না শীজিন্নরিবা হেন্দ সেনিটাইজর অসি নৎত্রগসু য়ূমদা ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা সাপোন মখল অমা সেকেণ্ড ৩০দগী তাদনা খূৎ-শা হামদোকপা মতমদা ভাইরস অসি হাত্তোকপা ঙম্মী। অদুনা খূৎ-শা তোইনা হান্বা লোয়ননা এস ও পিজ ঙাক্না চৎপা হায়বসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা হিজম প্রিয়োকুমার-প্রসিদেন্ট, কাদানা হায়খিবদা, কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ শন্দোকপা অসি ময়াই কাবা চীঙাক চাবগসু মরি ইরৈ লৈনৈ। হৌজিক , মফম অয়াম্বদা নুপী, নুপা খাক্তনা পাম্না চান্নরিবা ক্বা অসি পান দুকানদগী তপ্পা মতমদা মদুদগীসু লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্নবা মরম অমা ওইহল্লি। অদুগা ক্বা চাবদগী থোক্লকপা ক্বাদাং শিত্তোরকপা মতমদসু লায়না অসি শন্দোরকই। অসিদসু নত্তনা লৈকাই লৈকাইদা য়ু য়োনবা অমদি পুন্না পুন্না ফমিন্নবা অসিগুম্বা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্তবা থৌওং লোয়ননা জ্বার শান্নমিন্নবা থৌওংশিং অসিনসু কোভিদ-১৯ শন্দোরক্নবা মরম অমা ওইহল্লি। ঐখোয় খূদিংমক ময়াই কাবা চীঙাক্তগী লাপ্না লৈদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমসুং ময়াই কাবা চীঙাক্কী অমাংবা অনীমক্তগী কঞ্জনবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

মীয়ামগা খূৎশম্নরগা খোঙজং হেন্না...

*লামায় ১গী মখা...*লৈঙাক অসিনসু মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা অচুম্বা তাল্লিবা এইমসকী মরাল লৈতবা থৌমী ৪বু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৮দা ইঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ওফিস শো লোনশিল্লি হায়বগী মরালদা ফাজিল্লগা থম্বা হায়বসি অচুম্ববু নমথনবা হোৎনবনি। নুমিৎ অদুদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী য়ৈখায় থিনগায়বা অমদি অশোক-অপন নংহনবা য়াবা থৌওং অমত্তা এইমসকী থৌমীশিংনা চৎখিবা লৈতে। মসিগীদমক্তা এইমসকী থৌমীশিংবু ফাবা পুনবা হায়বসি মরম য়াম্না চাদবা অমদি লৈঙাক্কী লূজদবা থৌওংনি। শুপ্নম তৌবনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লেই। এইমসকী থৌমীশিংনা ইঞ্জিনিয়রিং ৱিং শো লোনশিনবগী থবক অদু ওফিস অদুগী ষ্টাফ পুম্নমক মপান্দা থোক্লক্নবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি। ষ্টাফশিংনা মনুংদা লৈনা লৈনা শো লোনশিনখিবনি হায়বা ৱাফমসি অরানবা ৱাফমনি। মরাল লৈতবা এইমসকী থৌমীশিংগী মরক্তা এগজামিনেসন থাগদবা কয়া য়াওরি। মখোয় মরিবু কন্দিসন অমত্তা থমদনা অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি। মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহন্নবা মথৌ তাবা থবক লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পায়খৎত্রবদি হৌজিক হৌজিক চথরিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না কনবা মওংদা চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 267/SDC/Kumbi/2020

Nengkhochin, W/o. (L) Seikholun of T Munnomjang Village
...Applicant
-Vrs-
Late Seikholun Touthang, S/o. Jamlhun of T Munnomjang Village
...Opp

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Kumbi 23/09/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং .... (অরিবা) অমসুং ১৩৮৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৪০০৮ এরিয়া ৪.১০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Kumbi, Manipur
HL-P/7591/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mut. Case No. 301 of 2020

1. Irom Ibotombi Singh, S/o. I. Nabadwip Singh of Oinam Mamang Leikai (0.09 acre)
2. -do- Nimai Singh, S/o. I. Achouba Singh of -do- (0.09 acre)

...Applicants
-Vrs-

1. (L) Irom Nabadwip Singh, S/o. (L) Guna Singh of Oinam
2. (L) -do- Angou Singh, S/o. (L) -do- of -do-
3. Irom Ibocha Singh, S/o. (L) -do- of -do-

...O.p. Pattadars

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Oinam, the 22nd Sept. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি, খুল নম্বর ৩০-ওইনামগী পাট্টা নম্বর ৬৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১২১৩ এরিয়া একর ০.২৭ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ১, ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী/মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam
HL-P/7594/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 734 of 2020

Chongtham Inaoton Singh, S/o. (L) Ch. Lukhoi Singh of Kabowakching
...Applicant
-Vrs-
(L) Chongtham Lukhoi Singh, S/o. (L) Gopal Singh of Kabowakching
...O.p. Pattadar

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Nambol, the 22nd Sept. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি, খুল নং ২৫-কবোৱাকচিং পাট্টা নং ১২৬, ১৩৩, ৭৯৬ (অনৌবা) দাগ নং ১২৬০, ১২১৯, ১২১৯/এ এরিয়া একর ১.৬৩, ১.৪০, ০.৭৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Nambol**
HL-P/7594/24

চীং-তম থোং মান্নবা চাওখৎহন্নবা...

লামায় ১গী মখা... মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎতুনা হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী চীংগী মফমশিংদসু শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা অফবা অওনবা অমা পুরকপগী মথৌ তারি। মাও, সেনাপতি অমদি পাউমাতাদা দোক্টরশিং, নর্সশিং অমদি ওজাশিংগী ট্রাঞ্জিৎ একোমোদেসন শারিবা অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা শঙ্গানবা হোৎনরি। এ দি সী সেনাপতিনসু মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগীদমক য়াইফ-থৌরাংশিং লৌখৎলকখিনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেনাপতিগী ফুট ব্রিদজ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হীল্সকী মিনিষ্টর এন কাইসি, পি ঐ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট বিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, সেক্রেটরি টু সী এম নিংথৌজম জিওফ্রি, এ দি সী সেনাপতিগী চ্যের্মেন এ কপানি, সেনাপতিগী দি সী টি ঐচ কিরনকুমার, সেনাপতিগী এস পি এম প্রভিন অমসুং ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

সনা খুদোপ অমা হুন্দোক্লম্লে

ঐ ইশামক মখাদা সহি তৌজরিবা পাঞ্জিগী শিনফমদা লৈজবা ঐনা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঙসিদগী হাপ্তামুক্কী মমাঙদা কনাগুম্বীগী সনা খুদোপ অমা কুঠী য়েংবা লাকপদা হুন্দোক্লম্লে। কনাগুম্বী ঐগীদা কুঠী য়েংবা লাকপীখিবীশিংগী মনুংদা হুন্দোক্লম্বা য়াওরবদি মতিক চাবা প্রমান পীবীরগা লৌবীরবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা :
Kakchingtabam Surchandra (Moton) Sharma
S/o. Late K. Damudor Sharma
Singjamei Top Leikai, Imphal West
HL-P/7585/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mut. Case No. 302 of 2020

1. Oinam Shanti Singh, S/o. (L) Ibotombi Singh of Oinam Maning Leikai
2. -do- Ome Singh, S/o. O. Nilamani Singh of -do-
3. -do- Kumar Singh, S/o. -do- of -do-

...Applicants
-Vrs-

1. (L) Oinam Ibotombi Singh, S/o. (L) Atolmu Singh of Oinam Maning Leikai
2. Oinam Biren Singh, S/o. (L) Ibotombi Singh of -do-

...O.p. Pattadar

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Oinam, the 22nd Sept. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি, খুল নম্বর ৩০-ওইনামগী পাট্টা নম্বর ২০১ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৪৮৫ এরিয়া একর ০.৫৮ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয় অহুমদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam
HL-P/7594/24

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি
বি-১৪/এ, চত্রাপতি সিভাজি ভৱন, কুটব ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া,
কাটৱারিয়া সরাই, ন্যু দিল্লি - ১১০০১৬

ফম লৌগনি

চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও), নেসনল পেন্সন সিষ্টেম ট্রষ্ট (এন পি এস ট্রষ্ট)কী ফম দেপ্যুটেসন/কন্ট্রেক্ট বেসিসতা অহানবগী ওইনা চহী অহুম (০৩)গী মতমগীদমক লৌরবা মতুংদা পর্ফোমেন্স রিভিয়ুদা পেন্নিংঙাই ওইরম্বগী মতুং ইন্না অমসুং য়ানবগী মতুং ইন্না মখা তানা অতোপ্পা চহী অনী (০২) শাংদোকপা য়াবগী ফিভমদা লৌনবগীদমক ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া, খনবগী মওং, ইমোলুমেন্টশিং অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্ম অসিনচিংবগী মপুং ফাবা অকুপ্পশিং পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইট **www.pfrda.org.in** অমদি এন পি এস ট্রষ্টকী ৱেবসাইট হায়বদি **www.npstrust.org.in** অমসুং নেসনল করিয়র সর্ভিসকী ৱেবসাইট **www.ncs.gov.in.** দা ফংগনি।

থবক লৌবগী নোটিফিকেসন অসিগা মরী লৈনবা কোরিজেন্দম/এদ্দেনদম/নোটিসশিং (করিগুম্বা লৈরকপা থোক্লবদি) পি এফ আর দি এ/এন পি এস ট্রষ্টকী ৱেবসাইট খক্তদা ইশ্যু তৌগনি।

এপ্লিকেসন লৌশিনবগী অরোয়বা তারিখ ওক্তোবর ২২, ২০২০ (শগোলশেল) নি।

এস দি/-
জেনরেল মেনেজর
(এদমিন এন্দ ঐচ আর)
davp 15102/11/0005/2021